হুইয়েন লানপাউ

Refreshingly Readable
The messenger of the masses

এম সেক্টরদগী পর্সনেল খরনা ফারগা পুখিবা লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরম্বির কোর্টতা পুথোক্লবা তুংদা মহাক্কী লোয়নবী অমসুং মচাশিংগা উনবা

লামায় ১

য়ু এফ ওগী শীনতম শঙলেন অমা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা থম্নাপোকপীদা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা হাংদোকপগী থৌরম

লামায় ৩

এম য়ুগী খোঙজংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লবা কোলেজশিং মতম কক্তনা থিংজিল্লগনি হায়না জোইন্ট কোলেজ ষ্টুদেন্টস ফোরমনা লাউথোকপা

লামায় ১

অচৎ-অওকশিং চেক তৌবদা মীওই ২ দগী য়াল্লবা জিলেটাইন ষ্টিক, দিটোনেটরশিং জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা ফারগা পাউমীশিংদা উৎপা

Vol. 42, Issue No.109 শগোলশেন, ইঙা ২৯ নি পানবা , অপূনবা লামায় মশীং ১০ HUEIYEN LANPAO, Thursday, July 12, 2018, Imphal www.hueiyenlanpao.com RNI No. 40746/1978 ₹ 4.50

থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৪.৬৭
দীজল : লিটরদা লুপা ৬৬.৩৬

মমা-মচা জিল তুরেলদা লুপখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১: কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাইকুল সব দিভিজন্না কোনবা এরিয়াদা চেনবা জিল তুরেলদা মমা-মচা অনী তুরেলদা ফি শুবদা মচানুপী ঈরৈনা চেন্থখিবদগী মমানা কন্নবা হোৎনবদা মমা-মচা অনীমক ঈশিংদা ঈরাক্লবদগী থিবা ফঙদ্রে হায়রি। থৌদোক অদু ঙরাং নুংথিল পুং ২.৩০ রোম তাবদা সাইকুল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা জিল তুরেলগী নফাই অমদি কে ফাইজিমাংগী মরক্তা থোকখিবনি। লায়বক থিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং অদুদি চানিময়া খারকা (৩২) অমদি মাগী মচানুপী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

মীয়ামগী নুমিৎ

ইম্ফাল, জুলাই ১১: হান্না থা অসিগী ১৫ দা চীংমী লুচিংবশিংগী নুমিৎ অমসুং মীয়ামগী নুমিৎ থৌরম পূন্না পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখিবদু থা অসিগী ২৫ দা ওইনা পূন্না পাঙথোক্লগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর সেক্রেটরিয়েটনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমনা হায়রি।

অ ঈং-অশাগী পাউ

মফম	খ্বাইদগী শাবা	খ্বাইদগী ঈংবা
বিষ্ণুপুর	৩১.১৯ °C	২২.৭৭ °C
চান্দেল	৩২.১৯ °C	২০.১১ °C
সীসীপুর	২৯.৯৯ °C	২১.৬৯ °C
ইম্ফাল	৩২.৪১ °C	২২.৮৮ °C
সেনাপতি	৩১.১৬ °C	১৮.১৮ °C
তমেংলোং	৩৪.৪৮ °C	২০.০১ °C
থৌবাল	৩০.৬৫ °C	২২.০৩ °C
উখ্রুল	২৪.১৭ °C	১৭.৪৮ °C
মণিপুর	৩৪.৪৮ °C	১৭.৪৮ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ২২.৮১ এম এম
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.৩৩
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৬.০৭
দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট, জি ও এম

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	80.696729
US Dollar	68.801724
British Pound	91.165779
Australian Dollar	50.924996
Chinese Yuan Renminbi	10.303748
Japanese Yen	0.618220
Malaysian Ringgit	17.066655
Norwegian Krone	8.555092
Singapore Dollar	50.572222
South Korean Won	0.061261
Swedish Krona	7.857616
Turkish Lira	14.399466
Myanmar Kyat	0.04855
Bangladesh Taka	0.82108

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs 31133.69
Mumbai	–	Rs 32042.78
Delhi	–	Rs 31764.71
Kolkata	–	Rs 32117.65

HL POLL

Q : Manipur Legislative Assembly gi meepham numit ninikhak phamgani haiba warepsi yaningbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipur University tha ani shuti thadokladi mayamgi erang laksinba ngamgani haina khanbra?

Yes 03% No 97%

অস! লোইরেহে!

ঙমখৈ য়েংবা লাকপীরনু,
পেল্লে ঙমসু ঙল্লোইদবদা...!



চুন্না য়েংজবনি লান্না লৌবীনু...!

তমেংলোংদা চীং নীংখায়বদা মীওই মাপন শিরে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মফম অহুমদা থোকখিবা তমথীরবা চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিংদা ইমুং অমগী মীওই মঙা য়াওনা পূন্না মীওই ৯ শিরে, অতোপ্পা মঙানা শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়েংলি।

মহৈশাগা মান্নদনা নোং য়াম্না কন্না চুখিবা মতুং ঙরাং অমসুং ঙসিগী লোন্নবা অহিংগী পুং ২.৩০ রোম তারকপদা চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং অদু মথং-মথং থোকখিবনি হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই মাপন অদুগী মনুংদা মীওই মঙাদি ইমুং অমগীনি। মীওই মঙা অদু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী সোনরাম ভিলেজদগী ন্যু সালেম (ৱার্দ নম্বর ৪) দা লৈবা মনেগী য়ূমদা অহিং য়ারেক্তুনা লৈবনি। মখোয় মঙাগী মনুংদা মচে অমখক নৎতনা অতৈদি অঙাং ঙাক্তনি। মখোয় অদুদি মিস টিগাইলু রিয়ামৈ (১৯), মিস পাইচুনলিয়ু রিয়ামৈ (১৫), গাইকুরাই লিয়ামৈ (১৩), গোংতুইচুই রিয়ামৈ (১১) অমসুং পাওহুতলুং রিয়ামৈ (৯) নি। মখোয় মঙামক গাইথোনাং রিয়ামৈগী মচাশিংনি।

অতোপ্পা মীওই অনী অমনা তমেংলোংগী নাগাইলোং ৱার্দ নম্বর ২ দগীনি। মফম অদুদা চীং নীংখায়রকপদা ফমুংদা পূন্না তুম্মিন্নবা মমা-মচা ননশিন্দুনা শিখিবনি। লৈখিদ্রবী মমা অদুগী মমিং মৈজিনলাকলিয়ু (৩০) মপূরোইবগী মিং মাইথুনলাং ঐচ পামৈ অমসুং মহাক্কী মচানুপা লিৱাংবৌ ঐচ পামৈ (১৩) নি।

অতোপ্পা চীং নীংখায়বগী থৌদোক অদুনা রামগাইলোং ৱার্দ নম্বর ৩ দা থোকখিবনি। চীং নীংখায়বদা য়ূম য়াওখিবদগী চহী নৌরিবা অঙাং অনীনা লৈনুংদা ফুমজিনখ্রগা মমা-মপানা নাম্থোকহৌবনি। লৈখিদ্রবা অঙাং অনী অদু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা লৈনুংদগী কোথোক্লনবা হোৎনবদা ফংবা ঙমদ্রি। মখোয় অনী অদুদি বেবী মৈহোনলিয়ু কামৈ (৫) অমসুং রাজেনগ্বাং কামৈ (থা ৯)নি। মখোয় অনীগী অপোকপা লানথাইলুং কামৈ (৪০) অমসুং মহাক্কী লোয়নবী শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি হায়রি।

তমেংলোং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদগী ফংবা পাউনা হায়, চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং অদুদা মীওই মঙা শোক্তুনা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। মখোয় অদুদি লানথাইলুং কামৈ (৪০), মহাক্কী লোয়নবী খোংঙামলিয়ু কামৈ (৩৮), নাগাইলোংদগী মৈথুনলাং ঐচ পামৈনা পোকপা গ্লেদসন পামৈ, মিস দাইমুনলিয়ু পামৈ অমসুং মিস কবাইলুংলিয়ু পামৈনি।

লাইবক থীবা থৌদোকশিং অদুগী পাউ হেক ফংবগা সী আর পি এফকী ১৪৩ বট্টালিয়নগী ঈ-কম্পেনিগী কম্মান্দর ইন্সপেক্টর ভুপিন্দর সিংহনা লুচিংবা পর্সনেল ৪০, মফম অদুগী মীয়াম অমসুং পুলিস পর্সনেলশিং চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথখি। রেস্ক্যু ওপরেসন অদু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবা লোইশিনবা ঙমদ্রি। অশিবা হকচাং অনী হয়েংসু মখা তানা থিখিগনি হায়রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়, ইম্ফালদা অমদি মণিপুরগী অতৈ মফমশিংদা নোং কা হেন্না চুদ্রবসু ঙরাং অহিংদা চীং নীংখায়বগী থৌদোকশিং থোকখিবা মফমশিং অদুদা য়াম্না কন্না নোং চুখি। অহিং নোংয়াইগী মতমদগী অয়ূক্কী পুং ৫ ফাওবা নোং চুবগী চাং মিলিমিটর ১৫৮.৮ য়ৌখি। ঙসি নোংঙাল্লমদায়গী পুং ২ দগী ৩ ফাওবদনা মিলিমিটর ৪৪.২ য়ৌনা নোং চুখি। *মখা লামায় ৩ কলম ১*

লুপা লাখ ৫/৫ এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টতা ঙসি অয়ুক থোকখিবা অচৌবা চীং নীংখায়বগী থৌদোক্তা অঙাং মঙা য়াওনা মীওই মাপন শিখিবা অমসুং মীওই কয়ানা অশোক-অপন নংখিবদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

অৱাবা ফোঙদোকপগী পাউজেল অমদা চীফ মিনিষ্টরনা অৱাবা নংহৌরবা ইমুংশিংদা মীনুংশি উৎপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিংগী থৱায়না ঈং-চিক্লা লৈনবা শেন্বীবা মপূদা খুরুমখি। অৱাবগী মশক ওইরবা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবশিংসু থুনা ফরকপা ওইরসনু হায়না চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

লাইবক থীবা মীশি-মীনাগী থৌদোক অদুদা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা চীফ মিনিষ্টরনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী খ্বাইদগী নক্লবা মরী-মতাদা লুপা লাখ ৫/৫গী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি হায়না থাজবা পীখি।

অৱাবা নংলবশিংদা খুদক্তা মতেং পাংনবা অমসুং ফীভমসু কুপ্না য়েংশিন্নবা চীফ মিনিষ্টরনা তমেংলোংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরদসু খঙহনখ্রে।

চৈরকসিদা মফমদুগী মীওইশিংগী ৱাকৎশিং য়েংশিন্নবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, তমেংলোংনা রিলিফ কন্ট্রোল রূম অমা হাংখ্রে। মফমদুগী মীওইশিংবু শাফগদবা ...*মখা লামায় ৩ কলম ১*

‘এম য়ুদা এফিলিয়েট তৌবা কোলেজশিং ঙসিদগী থিংজিল্লগনি’

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এফিলিয়েট তৌবা ষ্টেট অসিগী কোলেজ খুদিংমক কোলেজশিংগী থর্দ, ফোর্থ অমদি সিক্স সেমেষ্টর ইগজামগী রিজল্ট থোক্ত্রি ফাওবা জোইন্ট কোলেজ ষ্টুদেন্টস ফোরমনা হয়েংদগী মতম কক্তনা সট দাউন লাউথোকখ্রে।

দি এম কোলেজ ওফ আর্টসকী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা ফোরম অসিগী কনভিনর অরাম্বম ভিকাশনা ফোঙদোকখিবদা, থা অসিগী ৭ তা হৌজিক লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ক্রাইসিস লোয়শিনবীয়ু অমদি হায়দোক্তনা লৈরিবা সেমেষ্টর ইগজামশিং অসি হায়দোকপীয়ু হায়না মেমোরেন্দম পীশিনবা চৎপদা উন্নবা ফঙলকখিদে। মসিগী মতুংদা ফোরম অসিনা সেমেষ্টর ইগজাম হায়দোক্লবা অমসুং এম য়ুগী ঈরাং লোয়শিনবীয়ু হায়না মতম থাখ্রবা ফাওবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা পোজিটিব ওইবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎলক্তবনা হয়েংদগী সেমেষ্টর ইগজামশিং হায়দোক্ত্রি ফাওবা মতম কক্তনা সট দাউন লাউথোকপনি।

মহাক্না হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঈরাং অসিনা মহৈরোয় খুদিংমক্কী কেরিয়রদা মাঙহল্লে। সিক্স সেমেষ্টর ইগজাম পীখ্রবা মহৈরোয়শিং পোষ্ট গ্রেজুয়েট অমদি মখা তমথবদা মার্কসিটকী তঙায়ফদবা লৈ। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীগী মরমদা থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙবা তারিব্রা হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। মথৌ মশক খঙদবা ভি সী অমনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙহনবদি য়ারোই। পুন্নমক অসিগী রেস্পোন্সিবিলিটি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা অমদি য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টনা পুগদবনি।

লোয়ননা অথুবা মতমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ঈরাং অসি লোয়শিনগদবনি। সেমেষ্টর ইগজাম হায়দোকপা ঙমদ্রিবা অসি মথৌ মশক খঙদবা মতিক চাদবা ভি সী অমা লৈবননি। হায়দোক্তনা লৈরিবা সেমেষ্টর ইগজামশিং অসিসু অথুবদা হায়দোক্কদবনি। *মখা লামায় ৩ কলম ৩*

বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১গী মফম খঙদোক্লবা হায়জদৌরি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎশিং অনীরক শুবা ওইনা উনদুনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ গা মরী লৈননা থোরক্লিবা ৱাথোক্কী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) কে ঐচ রঘুমনিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টরনা হৌজিক ঙমখৈগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোক অসি অথুবা মতমদা লোইশিনহন্নিংবগী ৱাফম ফোঙদোকখি। য়ু সী এমগী মহুৎশিংনা মণিপুরগী ট্রেদিসনেল বাওন্দরিগা মরী লৈনবা ৱাফম পুখৎলকপগীদমক চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি। মীফম অদুনা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ অমদি মনাক নকপা অতৈ বোর্দর পিল্লরশিংগী চপ চাবা মফম খঙদোকমিন্ননবা য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টতা হায়জবা হায়না ৱারেপ লৌখি। ঙমখৈগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোক অসি হীরম অমত্তদা পোলিটিকেলগা মরী লৈনহন্দনবসু মীফম অদুনা য়ানবা পুরকখি হায়রি।

ভি সী মফম লৌথোকউ হায়না দিল্লিদা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. অধ্যা প্রসাদ পান্দে মফম লৌথোকউ হায়না ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন, নেসনল কাউন্সিলনা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (এম ঐচ আর দি)কী মমাংদা রেল্লি চত্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে।

AISF
AISF
AISF
AISF
AISF
AISF

ইম্ফালগী রুপমহল টেঙ্কতা লৈবা ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্ট ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ওফিসতা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা এ আই এস এফ ষ্টেট সেক্রেটরি খুন্দ্রাকপম রোমেশ্বরনা হায়, এ আই এস এফ নেসনল কাউন্সিলনা শীন্দুনা এম য়ুগী ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ওইবা খন্ন-নৈনবা অমা থা অসিগী ৬ তা পাঙথোকখ্রে। মসিগী মতুংদা ঙসি অমুক ন্যু দিল্লিগী শাস্ত্রি ভবন অমসুং এম ঐচ আর দি মমাংদা অমুক পুং ১১ দগী নুংথিল পুং ১ ফাওবা ৱাকৎ মীফম অমসুং রেল্লি চত্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। রেল্লি অদু পুলিসনা অথিংবা পীবদগী মফম অমদা পুন্দুনা মীফম অমসু পাঙথোকখি।

মহাক্না হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীগী মায়োক্তা মুসু অমসুং মুটানা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়ুনিভর্সিটি অসি খক্তগী নত্তে। খোঙজং অসি তুংগী মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক্তনি। অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা দিল্লিদা লৈবা এস টি মহৈরোয় লুপ অমনা মুসু অমসুং মুটানা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিবু নাথৈবা মানবা মওংদা তৌবা অসি এ আই এস এফনা কন্দেম তৌই। তুংগী মহৈরোয় খুন্নাইগীদমক ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

অচুম্বা খূদম ফংলবসু থৌশাদ্রিবসি অরোনবা এজেন্দা লৈরব্রা: রেনু

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : এক্সত্রা জুদিসিয়েল ইগজিক্যুসন ভিক্তিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন, মণিপুর (ঈভফম) না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী মাপলশুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লব ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ঈভফমগী প্রসিদেন্ট রেনু তখেল্লম্বমনা ফোঙদোকখিবদা, হৌজিক হৌজিকমক শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবশিং অসিগী সুপ্রিম কোর্টতা চে থাদুনা কেস ১৫২৮ ইনভেষ্টিগেসনদা লৈরে। হৌখিবা চহী অমা অনী অসিদা সুপ্রিম কোর্টনা সী বি আইদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মণিপুরদা শাশিন্নবা খুৎ থোক্লবগী কেস ৪৫ রোম এস আই টি শেম্নবগীদমক হায়খিবসু লৈরে। হৌজিক ফাওবদা শীন্নরিবা কেসশিং মপুং ফানা লোয়শিনবা কেস অমা ফাওবা য়াওদ্রি। কেস মরিদি ইনভেষ্টিগেসন লোইরে হায়না জুলাই ২ দা খঙহল্লকখ্রে।

ফেক ইনকাউন্তরগী কেসশিং ইনভেষ্টিগেসন চথবদা তপ্লিবসি ভিক্তিমগী ইমুং-মনুংনা য়াম্না নুংঙাইজদে। অচুম্বা ইভিদেন্স লৈরবা ফাওবা সী বি আইনা থৌশাদনা লৈবসি করিগুম্বা অরোনবা এজেন্দা লৈব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৈরিবা কেসশিং অসিগী মায় পাক্লা খুমাং চাউশিন্না চঙশিন্নবগীদমক করি তৌবা য়াবগে ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

কোংগ্রেসতি পব্লিসিটি পামদে : ও ইবোবী

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): কোংগ্রেস পার্টিদি পব্লিসিটি অমদি ফোটো য়াম্না থেৎপা পামদে, থবক পায়খৎপদা মীৎয়েং থম্মী হায়না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবীনা ঙসি শগোলমাং কৈথেলদা পাঙথোকখিবা মল্টিপর্পজ কম্যুনিটি হোল অমদি ইরৈমা মার্কেট কমপ্লেক্স শগোলমাং শঙ্গাবগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

কন্সট্রক্সন কম্মিটিনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা ও ইবোবীনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা চাউখৎ থৌরাংগী হীরম কয়া পায়খৎলম্মী। দোলাইথাবী, থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট য়াওনা তোঙান-তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়া শাগৎপগী থবকশিং চথখি। দাম অনী অসি অয়াম্বা শরুকশিং শাবা লোইশিল্লবনি। খুন্দ্রাকপম এ সী অসি চহী খরগী মমাংদা লৈরম্বা ফীভমদগী অহোংবা কয়া লাক্লে। লম্বী-থোং, মৈ অমদি চাউখৎ থৌরাংগী হীরম কয়াদা পায়খৎপা ঙম্লে। কোংগ্রেস পার্টিদি পব্লিসিটি অমদি ফোটো য়াম্না থেৎপা পামদে। থবক তৌদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীবদা মীৎয়েং থম্মী।

ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালগী মতাংদা লৈঙাক্লা লমগী চয়েৎনবা লৈ হায়না হোংনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা অদু ইকায়নিংঙাইনি। লৈঙাক্লা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপদা তঙাই-ফদনা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরম্বির হায় কোর্টতা পুথোরকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : মণিপুর হায় কোর্টনা খঙহনখিবা মতুংইন্না জেনরেল ওফিসর কম্মান্দিং (জি ও সী) থ্রি কোরগী মায়কৈদগী লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরম্বির ঙসি কোর্ট অসিদা পুথোরকখ্রে।

লেফটিনেন্ট কর্নেল ধরম্বিরগী লোয়নবী রঞ্জুনা পেটিসনর ওইরগা থাঙ্গৎলকখিবা হেভিয়জ কোর্পস পিটিসন অমগা মরী লৈননা মণিপুর হায় কোর্টনা হৌখিবা জুলাই ৫ দা পীখিবা য়াথং অমনা ধরম্বিরবু কোর্ট অসিদা পুথোরক্লবা জি ও সী থ্রি কোরদা খঙহনখিবনি। কেস অসিগা মরী লৈননা ঙসি মণিপুর হায় কোর্টকী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*

মনোরামা লৈখিদবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস): ৱার্কিং কম্মিটি ওফ অপূনবা লূপ অমসুং থাংজম মনোরামা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট বামোন কম্পুনা শীন্দুনা লৈখিদ্রবী থাংজম মনোরামা মীহাৎকী চহী ১৪ মপূং ফারকপগী থৌরম ঙসি কৈশাম্পাৎ য়ূমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবী মনোরামাগী মফমদা লৈ-শু কৎখ্রে।

থৌরম অদুদা অপূনবা লূপকী কো-ওর্দিনেটর ফুলিন্দ্রো কোন্সম, কো-ওর্দিনেটর য়ুম্নাম রতন, কো-ওর্দিনেটর জয় চিংঙাখম, এসিষ্টেন্ট কো-ওর্দিনেটর জয়চন্দ্র কোন্থৌজম, মনোরামা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট বামোন কম্পুগী সেক্রেটরি টি ঐচ নিলবির, অপূনবা মণিপুর কনবা ইমা লূপ (অমকিল)গী প্রসিদেন্ট পি ঐচ শখি, পোইরৈ লৈমরোল অপূনবা মৈরা পায়বী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এল মেমচৌবী, কংলৈপাক লমজিং অপূনবা মৈরা লূপ (কংলামৈ)গী প্রসিদেন্ট ৱাই লৈরিকলৈমা, কংলৈপাক ৱিমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এ কে মেমচা লৈমনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরমগী হৌরকপদা লৈখিদ্রবী থাংজম মনোরামাগী শক্তমদা মীয়াম্না লৈ-শু কৎতুনা অমদি মিনিট ১ তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি। থাংজম মনোরামা মেমোরিএল চেরিটেবল ট্রষ্ট বামোন কম্পুগী সেক্রেটরি নিলবিরনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ২০০৪ গী জুলাই ১১গী অহিংদা কংলাদা লৈবা অসাম রাইফলসনা ইমুংদগী এরেষ্ট মেমো পীদনা থাংজম মনোরামাবু ৱারী অমত্তা শাগে ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

OKINAWA INDIA'S FASTEST E-SCOOTER FIRST TIME IN MANIPUR
TOP SPEED : TURBO 75 Km./Hr.
RANGE : 170 -200 Km./Charge
MAIN FEATURE
CENTRAL LOCKING WITH ANTI THEFT ALARM, KEYLESS DRIVE, FIND MY SCOOTER
HDFC LOAN AVAILABLE
WANG E SERVICES
NAOREM LEIKAI BOROI MAKHONG BRANCH
IMPHAL WEST
PRIYA ENTERPRISES SUB - DEALER
KAKCHING BRANCH, M - 7005711857
www.okinawascooters.com
www.wangeservices.in
m no. 8974249014/9862797402
WANG E SERVICES
THOSE WHO WISH TO BE SUB DEALER PLIZ CONTACT DEALER AT IMPHAL
MALOM BAZAR IMPHAL WEST
HL-P/3375/01-12/07

solution to pollution
sunday open
service centre at malom bazar

Instant TV Loan Opportunity for WORLD CUP 2018
Get Low Price for Direct Purchase
And also available :-
VEHICLE LOAN / SERVICE LOAN
PENSION LOAN / GOLD MORTGAGE
AREA COVERED:
Imphal East
Imphal West
Bishnupur
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O. Lokleobung B.O. M.G. Avenue,Paona International Market & Bishnupur Bazar
Please log on http://www.imphalfinancesociety.in
HL-B/4691/13/06-13/07

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫